**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 31-08-2026)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৩১-০৮-২০২৬, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ইন্তরনেসনেল ওভরদোস এৱেয়রনেস ডে ২০২৬ ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকরি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা কৈফা রোদ পাৎতোনদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) ২৬ শুবা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম য়াওনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কিরগিস্তানগী কোনুং বিস্কেক্তা থুংখ্রে।

----

**ডে (এল)ঃ** ইন্তরনেসনেল ওভরদোস এৱেয়রনেস ডে ২০২৬ ঙসি মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকরি। দ্রগ ওভরদোস চত্তুনা খুদোংথিবা নংবশিংদগী কন্ননবা মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা পালন থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কুমসি চহীগী পালন থৌরম অসিগী হীরমদি- ত্বেন্তি ফাইভ ইয়রস

ওন স্তিল নিদেদ হায়বসিনি।

ইন্তরনেসনেল ওভরদোস এৱ্যেরনেস ডেগা মরী লৈননা ফোঙদোকপা ৱারোল অমদা রাজ্যগী হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.এন হেমন্ত কুমারনা হায়-ওপিয়োদ চাং হেন্না চারবদি ওভর দোস চৎলি। মসিদগী কন্ননবা লায়েংবদা নেলোকসোন হায়বা হীদাক মখল অমা শিজিন্নে। হায়রিবা হীদাক অসি কুমজা ২০২২ গী ইসেন্সিয়েল দ্রগ লিষ্টতা হাপ্তুনা পি.ঐচ.সি, সি.ঐচ.সি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিংদা লেমা ফংহল্লি। হায়রিবা হীদাক অসি মীওই খরনা শেন্দোংগীদমক লোন্না য়োনবা য়াওরকপদগী হেলথ সার্ভিসেস দাইরেক্তোরেটনা চহী অসিগী এপ্রিলদা অদুগুম্বা মীওইশিংবু দন্দি পীবা য়াবা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

**সেক্যুরিতি (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস য়াওবা অপুনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা ৱাতর সপ্লাই পম্প মনাক্তা লৈবা কৈফা রোদ পাৎতোনদগী খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল ১, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ এ.কে রাইফল ১, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ এম.পি-নাইন ১, কন্ত্রিমেদ এস.বি.বি.এল ১, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ পোইন্ট টু টুগী রাইফল ১, হেন্দগ্রেনেদ ২, আই.ঈ.দি ২ অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

ককচিং জিলাগী সি.দি.ও য়ুনিট অমসুং ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা লাংমৈদোং মনিং ময়াই লৈকাইদা লৈবা মসিগী য়ুমদগী ফারে। অতোপ্পা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু লাংমৈদোং মমাঙ লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদগী ফারে। মঙোন্দগী ইন্সাসকী অহাংবা মেগজিন ২, নোংমৈ মরু ২৭, বাউফেং হেন্দসেট ১, বুল্লেট প্রুফ

জেকেট ১ ফংলে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী নিংঙেল লমখাইদগী কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী মীওই অমা ফারে। ককময়াই লমখাই এরিয়াদগীসু কে.সি.পি-পি.দব্লিয়ু.জিগী অতোপ্পা মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং থোংখোঙদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমসু জিলা অসিগী কম্মান্দোশিং অমদি ৭ শুবা মদ্রাস রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা ফারে। মহাকা লুপ অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনরম্বা মীওই অমসু কলহৌরে হায়রি।

**রেল্লি (এল)ঃ** মীতোপ খন্দোক্ত্রিঙৈদা, মীকোক থিবা য়ারোই- নো এন আর সি নো সেন্সস হায়বা খোল্লাউগা লোয়ননা হৌখিবা অহিংদা ককচিং জিলাদা মৈরাগী রেল্লি পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা হীয়াংলম, ৱাবগাই, লমজাও, তেজপুর অমদি কৈরক্কী অকোইবদা লৈরিবা মশিং য়াম্লবা মীয়ামা মৈরাগী রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি। রেল্লি অদু জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিতেসন(জে.এফ.দি)গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**ইমো(এল)ঃ** শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা মোইরাং লৈরক্তা লৈবা নৌনা শেমজিল্লবা লাইনিংথৌ খল্লাংবা কমপ্লেক্স ঙরাং এম.এল.এ আর.কে ইমোনা শঙ্গাখ্রে। কমপ্লেক্স অসি শ্রী ইমোনা লোকেল এরিয়া দেভলপমেন্ট ফন্দদগী লূপা লাক্ষ ৩৫ কাইথোক্তুনা নৌনা শেমজিনবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইমোনা হায়-মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিগা ইরোইননা মীয়ামগা মরী লৈনবা মরুওইবা মফমশিং নৌনা শেমজিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মীয়ামগা মরী লৈনবা অসিগুম্বা মফমশিং মখা তানা শেমজিনবগী থবক চথখিগনি হায়নসু এম.এল.এনা ফোঙদোকখি।

**ওকপা (এল)ঃ** ও.বি.সিশিংদা সরকারনা পীরিবা কান্নবশিং মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবগী পান্দমদা জিলা থাক্কী মীফম অমা ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাইজিন ময়াই লৈকাই কম্মুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লাইরিক ফবা মহৈরোইশিংবু ওক্তুনা পুকিং থৌগৎখি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- মণিপুরগী জিলা অয়াম্বদা ঙসি নোং চুগনি।

উখ্রুল অমসুং ফেরজোল জিলাদদি ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়না সেন্তর অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ওরেঞ্জ এলর্ট লাউথোকখ্রে। মফম খরদদি অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি। লাক্কদৌরিবা নুমিৎ নিনিদসু মণিপুরগী জিলা অয়াম্বদা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

**মোদি ঃ** ২৬ শুবা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেস(এস.সি.ও)গী মাফম য়াওনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কিরগিস্তানগী কোনুং বিস্কেক্তা থুংখ্রে। নুমিৎ নিনিগী বিস্কেক খোঙচৎ মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা এস.সি.ওদা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা লৈবাকশিং অদুগা ভারতকা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারি শান্নরক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা হয়েং পাঙথোক্কদবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী ২৬ শুবা মীফমদা শরুক য়াগনি। মীফম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা সেক্যুরিতি, কন্নেক্তিবিতি অমসুং ওপোর্চ্যুনিতিগী মতাংদা ভারতনা মীৎয়েং চংলিবা ৱাফমশিং পুখৎকনি।

**ত্রেনিংঃ** চয়োল ৪ চুপা চখুরকপা ৪ শুবা ত্রাই সার্ভিসেস ফ্যুচর ৱারফেয়র কোর্স নিউ দেল্লিদা লোইশিনখ্রে। সার্ভিস অহুমা তুংদা থেংনমিন্নবা য়াবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা পুন্না চুংশিন্নদুনা, লাল্লোং য়াৎতুনা থবক পায়খৎমিন্নবদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগী পান্দমদা হেদক্কাতরস ইন্তিগ্রেতেদ দিফেন্স স্তাফকী তেংবাংগা

লোয়ননা কোর্স অসি পাঙথোকখিবনি। কোর্স অসিদা লান্মী, নেভি অমসুং ইয়রফোর্সকী ওফিসর কয়ামরুম শরুক য়াখি। কোর্স অসিগী মনুংদা চিফ ওফ দিফেন্স স্তাফ জেনরেল এন.এস রাজা সুব্রমনিগা উন্নদুনা শরুক য়াখিবা ওফিসরশিংগা ৱারি শান্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা দেল্লিদা চৎখিবগী পাউ, জে.এফ.দিগী খোঙজং অমদি সেন্সসকী মতাংদা ফোঙবা পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরে।

থাখিবা মতম লোইশিল্লকপদা লো থুগাইরকপশিং এক্সন লৌখৎকনি হায়রল্লগা খেমচান্দ দেল্লি পাঙখ্রে হায়বসিনা- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ঙসি সেন্তরগী মকোক থোংবা কয়াগা উন্নগদৌরি, সেন্সসকী ৱাফম লৈখাই তাদ্রি হায়বসিনা সব-হেদলাইন ওইনা পীরি। মণিপুরগী সেন্সস ওপরেসন য়ৈথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ অসিসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলে।

মণিপুর প্রাইভেট স্কুল (রেজিস্ত্রেসন এন্দ রিগ্যুলেসন) রুলস ২০২৪ প্রাইভেট স্কুলশিংগী খুর্জি লাকবরা নত্রগা কাউ থাবগুম থানব্রা হায়বা এক্সক্লুসিভ রিপোর্ট অমা- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। এসেমব্লিনা অঙন্বা থাক্তা মীতোপ খন্দোকবা লো অমা পাস তৌবীয়ু হায়বা সি.পি.আইগী ৱাফম অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলে।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- ওগষ্ট মনুংদা অনিরক শুবা ওইনা চিফ মিনিষ্টর দেল্লি য়ৌখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। সেন্সস অমসুং এন.আর.সিগী খন্নগদৌরি হায়বসিনা সব-হেদলাইন ওইনা পীরে। সেপতেম্বর ১ দগী এসেমব্লি মনাক্তা খোঙজং হৌগদৌরি হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী

অহানবা লামাইদা ফোঙলে।

জে.এফ.দিনা চংশিল্লিবা খোঙজং কুকিগী মায়োক্তা চংশিনবা নত্তে হায়বা জে.এফ.দিগী কনভেনর জিতেন্দ্রগী ৱাফম-পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- পেসেঞ্জর লিশিং ১,৭০০ এন.ঐচ.টুদা ইম্ফাল গুৱাহাতি চৎপা ঙমখ্রে হায়বা পাউ অমসুং অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

তামেংলোং তাইমসতা- ফ্রিদম ফাইতর হাউপৌ জাদোনংগী ৯৫ শুবা দেদ এনিভর্সরি থাংজ নুমিত্তা নাগা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- খৃষ্টান অমা ওইবা অমসুং মীওইবা অমা ওইবগী ৱাখল্লোন হেন্না ফাওহন্নবা নখোয়গী মীয়ামদা তাকপীয়ু হায়না এম.এল.এ অৱাংবৌ নিউমাইনা দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনদা আপিল তৌখ্রে হায়বসি অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- এন.আর.সি তৌহৌদ্রবদি হৌজিক পাল্লিবা চিফ মিনিষ্টর অসিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী অমনা চিফ মিনিষ্টর ওইবা অরোইবা ওইরগনি হায়বা কৈরাউ এম.এল.এ রামেস্বরগী ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- মনিপুরদগী ওপিয়ম কিলোগ্রাম ২৮ পঞ্জাবতা ফারে হায়বা পাউ অমা অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

--**পাউ লোইজরে**--